# ফ্লোরিদা স্কুলগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মীওই কয়ানা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে




ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি):
ফ্লোরিদাগী হায় স্কুল অমদা মশাগী চহী ১৯ শুরবা হান্নগী মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রবা মীওই ১৭ কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলদা নিকোলাস ক্রুজ কৌবা হান্নগী মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ১৭ শিখিবনি।

অমরোমদা, সী এন এনগী রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি ফ্লোরিদা ষ্টেটকী স্কুল অমদা হান্নগী মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথুগদৌরে হায়বা ৱাফম অসি হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা কনাগুম্বা মীওই অমনা য়ু ট্যুবকী খুথাংদা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই) দা মাঙজৌননা পাউ য়ৌহনখি। মিসিসিপিদা লৈবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা বেন বেনাইট কৌবা মীওই অমনা এফ বি আইদা মাঙজৌননা পাউ পীখিবা তারবসু মতিক চাবা চেকশিন-থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা তৌখিদে হায়রি।

ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ফ্লোরিদাগী স্কুলদা এটেক চথুরকখিবা নিকোলাস ক্রুজ কৌবা স্কুলদগী তান্থোকখ্রবা মীওই অদু নোংমৈদা ঙাওজবা মীশক অমনি হায়বা খঙলকখি। পিক্লিঙৈদা মমা-মপা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাকপু ক্রুজ ফেমিলিনা য়োকপীরকখিবনি হায়রি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী বোর্দর পোষ্ট মাঙ-তাকহন্দুনা লান্মী ৫ হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ানা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা স্কুল ভেন অমগী দ্রাইভর শিখ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী পোষ্ট অমা অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা লান্মী মঙা হাৎপা ঙম্লে হায়না পাকিস্তান আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মিগী স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল অসিফ ঘাফুরনা হায়খি মদুদি কাশ্মিরগী টাটা পানি খুঙ্গং মনাক্তা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী পোষ্ট অমা মপূং ফানা মাঙ-তাকহনখি। ইন্দিয়ানা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা মীচম মীয়ামগী মথক্তা কা হেনবা থৌওং চথুরকপা খূদিংগী চপ চাবা মওংদা পাউখুম পীনবা শেম-শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



অমরোমদা ইন্দিয়ন আর্মিনদি পাকিস্তানগী ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ন আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, সীজফায়র থুগায়দুনা পাকিস্তানদা নোংমৈ কাপশিনখিবা লৈতে। পাকিস্তানদা লৈবা মিলিটেন্ট গ্রুপ জাইস-ঈ-মহমদকী কাঙবুনা আর্মি কেম্প অমদা এটেক চথুদুনা মীশি-মীনা থোকহনখিবনি। কাশ্মিরগী সুঞ্জুৱানদা লৈবা আর্মি কেম্প অমদা চথুরকখিবা এটেক অদুদা ইন্দিয়াগী লান্মী মঙা অমসুং মীচম অমা শিখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

অমরোমদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খক্কন অবাসিনা হায়খি মদুদি ঙমখৈ ৱাংমদগী ইন্দিয়ানা স্কুল ভেন অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মথক্তা চপ চানা লমন খুম্নবা মকোক থোংবা আর্মি ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

# সাইরিল রামাফোসাবু সাউথ অফ্রিকাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রে

কেপ টাউন, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি):
শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক্তা চেন্নবা জেকোব জুমা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা সাইরিল রামাফোসাবু সাউথ অফ্রিকাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনদুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখ্রবা রামাফোসানা হায়খি মদুদি সাউথ অফ্রিকাদা লৈরিবা মীয়ামগী নীংবা কায়হন্দনবগীদমক মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শারে।

শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং পূম্নমক মপূং ফানা মুথৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্কী অপাম্বা মওংদা থবক তৌনবা হোৎনগনি হায়নসু রামাফোসানা ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ৬৫ শুরবা রামাফোসাবু জুমাগী মহুৎ শীন্দুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখিবগা লোয়ননা চীফ জষ্টিস ও মোবিয়োংনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

হৌখিবা ডিসেম্বর থাদা অফ্রিকান নেসনল কোংগ্রেস (এ এন সী) কী লূচিংবা ওইনা খনখ্রবা রামাফোসানা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল য়ৌদ্রিবা ফাওবা লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখিগনি। রিপোর্ট অমনা হায়খি, খুদক্তা লূচিংবা শিন্দোকপগী থৌওংনা সাউথ অফ্রিকাগী শেন্মীৎলোনদা থোইদোক্লা অহোংবা পুরকপা ঙম্লোই। জুমাগী মতুংদা রামাফোসানা প্রসিদেন্ট ওইরকখিবগা লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজা লাকশিন্নবা হোৎনবদা কুমজা ১০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা এ এন সীগী ফিভম শোকচিল্লকপা য়াই।

পনবা য়াবদি, শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক কয়াদা চেন্নরবা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট জেকোব জুমা ফম থাদোকপা লৈখ্রবনি। মশাগী চহী ৭৫ শুরবা জুমাবু মফম লৌথোক্লগা এ এন সীগী অনৌবা লূচিংবা ওইনা খনখ্রবা ডেপ্যুটি প্রসিদেন্ট সাইরিল রামাফোসাবু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা মায়কৈ কয়াদগী তকশিল্লকখিবনি। কুমজা ২০০৯ দগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লাকখিবা জুমাগী মথক্তা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা মরাল কয়া শীরকখ্রবা মতুংদা মহাকপু প্রসিদেন্ট ফম থাদোকহনখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা থাজদবগী মোসন পুখৎলকপা তারবসু চপ চানা মায়োক্নবা ঙমগনি হায়না পল্লদুনা জুমানা হায়খি, অঙম্বা থাক্তা সাউথ অফ্রিকাদা লৈরিবা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখি। এ এন সী মনুংদা নাকপাক তানরকপগা লোয়ননা হাৎন-শুনবগী থৌদোক লেপ্তুনা থোরকখিবা মরম্না ফম থাদোক্নবগী ফিরেপ লৌখিবনি।

প্রসিদেন্ট ফমগী মতাংদা এ এন সী নাকপাক তাবা চুমদে। ফম মুন্নবগীদমক হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোরকপবুসু য়ানিংদে হায়না জুমানা ফোঙদোকখি। এ এন সীগী লূচিংবশিংনা লৌরকপা ৱারেপপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, প্রসিদেন্ট ফম থাদোকপা তারবসু মখা তানা লৈবাক মীয়াম অমদি এ এন সীগীদমক থবক তৌখিগনি।

সাউথ অফ্রিকাদা লৈঙাক পায়রিবা এ এন সীনা অনৌবা পার্টিগী লূচিংবা অমা খন্নবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা পার্টিগী লূচিংবা ওইনা খল্লবা রামাফোসানা লৈবাক্কী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৯৪ গী মীখলদা নেলসন মন্দেলানা লূচিংদুনা এ এন সীবু মীখলদা চাওনা মায় পাকহনখ্রবা মতুংদা লূচিংবা মশেল মোত মান্নরক্তবদগী মীয়াম্না পার্টিদা থম্লম্বা থাজবা পূম্নমক মাঙখি।

নেলসন মন্দেলাগী মতুং তারকপদা মতিক চাবা লূচিংবা অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদবা মরম্না এ এন সীগী গর্ভর্নমেন্টতা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা মরাল কয়া শীরকখি। নহারোল কয়া থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতাংদসু লৈবাক মীয়াম্না পার্টি অসিগী মথক্তা লেপ্তুনা মরাল শীনরকখি।

পার্টি মনুংদা চাওনা মোত মান্নরক্তবগা লোয়ননা জুমাগী লোয়নবী ওইরম্বী দলামিনি-জুমা অমসুং ডেপ্যুটি প্রসিদেন্ট সাইরিল রামাফোসানা ফম মুন্নবা হোৎনরকখিবনি। প্রিটোরিয়াদা ওফিস ৱার্কর অমনা হায়খি মদুদি জুমানা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা রামাফোসানা লৈবাক মীয়ামগীদমক করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

# টর্কিদা মিলিটরি প্লেন কায়বদা পাইলোট ২ শিরে

*অঙ্করা, ফেব্রুৱারি ১৬ (এজেন্সি):*
*টর্কিগী মিলিটরিনা হায়খ্রে মদুদি নোংচুপ থংবা টর্কিদা পাইলোটশিং ট্রেনিং তৌবদা শীজিন্নবা প্লেন অমা কায়বদা পাইলোট অনী শিরে। মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি এস এফ-২৬০ ডি লাইট ট্রেনর প্লেন অমা এজমির সিটিদা লৈবা এয়র বেজ অমদগী পাইখৎখ্রবা মতুংদা ইখঙ-খঙহৌদনা কায়খি।*

*এয়র বেজদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর অহুম লাপ্পা মফম অমদা প্লেনগী অতেক-অকায় পূম্নমক ফংবা ঙমখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুরিবা মরম্না প্লেন কায়খিবগী চপ চাবা মরম ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মমাঙ থাদসু টর্কিশ এয়র ফোর্সকী কার্গো প্লেন অমা চপ মান্নবা মওংদা খা নোংচুপ থংবা টর্কিগী মফম অমদা কায়খিবদা পাইলোট অনী অমসুং টেক্নিসিয়ন অমা শিখিবনি।*

*চৈরকসিদা, টর্কিগী ডিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খ্রে মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুদক্তা সিরিয়ন কর্দিশ ফাইটরশিংদা মতেং পাংবা লেপ্লগা লোয়ননা সিরিয়ন ডেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস ডি এফ) মরক্তা লান্থেংনবা য়াওরিবা য়ু এস লান্মী পূম্নমক কৌথোকখিগদবনি।*

*ডিফেন্স মিনিষ্টর ন্যুরেটিন কেনিকলিনা হায়খি, ৱাই পি জি হায়না খঙনবা সিরিয়ন কর্দিশ মিলিসিয়াদা অমেরিকানা মতেং পাংবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ডিফেন্স জিম মেট্টিসতা খঙহনখ্রে।*

*হীরমসিগী মতাংদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসননা অঙ্করাদা লাক্লম্বগা লোয়ননা নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) গী মেম্বর লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন হন্থহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।*

*মমাঙ থাদা টর্কিনা অৱাং নোংচুপ থংবা সিরিয়াগী অফ্রিন রিজনদা মরুওইবা লাঞ্জং অমা চঙশিন্দুনা সিরিয়ন কর্দিশ ফাইটর অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্ট ২৬০ হাৎপা ঙমখি। য়ু এসনা শৌগৎপা কর্দিশ ফাইটরশিংগী মথক্তা টর্কিনা চথুরক্লিবা থৌওং অসিগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা টর্কিশ প্রসিদেন্ট টায়িপ অর্দোগনদা টেলিফোন তৌদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ফ্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননসু নাটোগী মেম্বর লৈবাক মশেল মুক্নরকপগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱাথোক লোইশিলহন্নবা তকশিনখি।*

## ꯐꯣꯔꯝ / ফার্ম অমা য়োঞ্জরি

থৌবাল নিঙোম্থম লৌকোলদা লৈবা লৌ পরি ৪ (মরি) চাওবা ফার্ম অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী লৈফম নৎত্রগা মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক তৌবিয়ু।

**Sd/- Okram Ningthem**
***Thoubal Ningombam***
**☎ 9089994545 / 8794062747**
*HL-P/578/17*

## ꯃꯥꯡꯈꯤ/SSA PASSBOOK LOST

My daughter SSA Passbook (Post Office) bearing Account No. 5847070520 in the name of **Shivani Potsangbam** D/o Potsangbam Binod Ranjan Singh, open on 29/03/2015 at Lamlong Sub Office (S.O) has been lost on 06/02/2018 on the way between Khabeisoi to Lamlong. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* P. Binod Ranjan Singh**
Haotal Pangei ☎ **9612955845**
*HL-P/571/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

***Ref:- Mut. Case No. 191/SDC/IW(P) of 2018***

1. Ngasepam Itomcha Singh S/o Ng. Haridash Singh of Yurembam Makha Leikai.
2. –do– Kaoba Singh S/o –do– of –do–.
3. –do– Gulamchat Singh S/o –do– of –do–.
4. –do– (N) Ibecha Devi D/o –do– of –do–.

-Vrs-

Late Ngasepam Beikun Singh S/o (L) Mukta Singh of Yurembam.

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 16/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৭৮/১৮৮ (অরিবা), ১২৬ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৭৫ গী পোইন্ট ০.৯২ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত পাট্টাদার অসি দংকারিশিং অসিগী মপা পোকপা মপুবোকনি। হায়রিবা লৌ অসি ইমুং মনুং লম য়েন্নবদা দংকারিশিংগী স্বত্তনি মরম অদুনা মখোয়গী মীংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/০২/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথজগনি।

***Sd/-* Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi
*HL-P/577/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

***Ref:- Mut. Case No. 73/SDC/LC/IW***

Haobam Jaswobanta Singh S/o (L) H. Lala Singh of Chingamathak Nameirakpam Leikai.

...... *Petitioner*

-Vrs-

Late Laikangbam (N) Haobam (O) Binodini Devi W/o (L) H. Lala Singh of Chingamathak Nameirakpam Leikai.

...... *O.P.*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Lilong Chajing, 16/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৬-লংথবাল মন্ত্রিখোং অরিবা পাট্টা নং ৫৪ অনৌবা পাট্টা নং ১২০/২৭৪ দাগ নং ২৭০ এরিয়া ১.৩০০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার লাইকংবম (নিং) হাওবম (ও) বীনোদিনী দেবী পতি লালা সিংহ সাং চিংঙামথক নামৈরাকপম লৈকায় অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরগী মমিংদা নামা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ফৌরেল লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মীওইশিংনা নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশানা লাকপীদুনা অইবা চেনা অপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-* Ak. Lalmohon Singh**
***Sub-Deputy Collector,***
Lilong Chajing, Imphal West
*HL-P/5014/18*

## IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

***Ref:- Mut. Case No. 197/SDC/IW-L/ 2018***

Keisham Ibemhal Devi W/o (L) K. Gouramani Singh of Lairenkabi.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Keisham Gouramani Singh S/o (L) Guni Singh of Lairenkabi.

*-O.P. Party*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

The 16/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার কৈশাম গৌরমনি সিংহ, পীং মৃ: গুনি সিংহ, সাং লাইরেনকাবীগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ১৬১, দাগ নং ১৯৮, ১৯৬/৩৩৪ অমসুং এরিয়ানা ০.১০০০০ অমসুং ০.০৪০০০ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

***Sd/-* N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang
*HL-P/5016/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

***Ref:- Mut. Case No. 190/SDC/IW(P) of 2018***

1. Akoijam Romio Singh S/o AK. Ibotombi Singh of Patsoi Part III.
2. –do– Indrakumar Singh S/o –do– of –do–.
3. –do– Jayanta Singh S/o –do– of –do–.

-Vrs-

Late Akoijam Ingocha Singh S/o (L) Munal Singh of Patsoi Part III.

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 16/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নম্বর ১৩৫ (অরিবা), ৮০৩/১৪৪০ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১২৫৩/১৮৪৭ গী পোইন্ট ০.০৯ একর চাওবা ইঙ্খোলগী মপু পাট্টাদার মৃত ওইখ্রে। দংকারিশিং অসি মৃত পাট্টাদারগী পোকমিন্নবা মনাওনিপাগী মচাশিংনি। লম অসি ইমুং-মনুংগী লম য়েন্নবদা দংকারিশিংগী শরুক্লি। মখোয়গী স্বত্তনি মখোয়গী মীংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। দংকারি নং ১ না মমাংদা পোইন্ট ০.০৩ একর; দংকারি নং ২ না ময়াইদা পোইন্ট ০.০৩ একর অমসুং দংকারি নং ৩ না মনিংদা পোইন্ট ০.০৩ একর নমা পীনবীয়ু। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিংনা অমদি মচা মশুশিং, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৩/০২/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথজগনি।

***Sd/-* Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi
*HL-P/577/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

***Ref:- Mut. Case No. 47/SDC/Bishnupur, 2018***

1. Thoudam Inaobi Singh S/o (L) Th. Rajen Singh of Bishnupur Ward No.6.
2. Thoudam Doren Singh S/o (L) Th. Rajen Singh of Bishnupur Ward No.6.

*-Petitioners*

-Vrs-

Thoudam (O) Ibetombi Devi W/o (L) Th. Rajen Singh of Bishnupur Ward No.6.

*-O.P.*

### ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Bishnupur, the 16th Feb. 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thoudam (O) Ibetombi Devi W/o Thoudam Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 6 দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 38/635 (অরিবা)। 75/796 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1244/1535 গী 0.015 and 0.15 চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মশা মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরশিংগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
**Bishnupur**
*HL-P/5015/16*

## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ওজা মুহমদ রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



Zomi Villa Gate, North A.O.C. Awang B.O.C. Traffic Mamang, Minuthong Road তা লৈবা Contact Nos. ☎ 9862264404, 8974333795, Cairopathic Treatment গী ওজা **Mohd. Riyajuddin** বু থাগৎচরি। ঐহাক মতম শাংনা দাইবেটিস অমদি পাইলসনা নাদুনা মতম শাংনা ৱানা খাঙদুনা লৈরক্লবনি। অদুবু ঐখোয়গী ওজা অসিগা তানবদগী হৌজিক্তি মপুনা থৌজালবীদুনা য়াম্না নুংঙাইজরে। ওজা ইবুংঙোবু মপুগী মীংদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

***থাগৎচরিবা :* Amu Dangmei**
***Loktak Project***
***Contact :* ☎ 9612429912**
*HL-P/550/17*

## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

হৌখিবা ফেব্রুৱারিগী ১৫, ইং ২০১৮ শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩:০০ তাবা মতমদা Keirao Bitra Makha Leikai দা লৈবা Khunjamayum Irabanta না Keirao Bitra Mayai Leikai দা লৈবা Takhellambam Hemantabi S/o (L) Kanhai দগী লম লৈবগা মরী লৈননা Nongpok Ningthou Panthoibi Development Committee, Keirao Bitra না শীন্দুনা কম্মিটি অসিগী শঙলেন্দা Keirao GP গী Pradhan Kangabam Chourajit (Toma) না ময়ায় তাংবল লৌদুনা খুলগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্না মখাগী ৱারেপশিং অসি মত অমত্তা ওইনা য়ান্নরে।

***অহানবা ৱারেপ ঃ*** ঙসিগী মীফম্না কুপ্না খন্নরবগী তুংদা হৌজিক য়েৎনরিবা Point $5^1/_2$ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মপু Takhellambam Hemantabi S/o (L) Kanhai অসিদগী Khunjamayum Irabanta S/o Ibobi না লৈবা ওইবনা ইরাবন্তগী মীংদা রেজিষ্টর তৌবা য়াহনবীনবা মরি লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জবা হায়না য়ান্নরে।

***অনীশুবা ৱারেপ ঃ*** হিরম অসিগা মরী লৈননা খুলনা কৌবদা লাকখিদবা অতোপ্পা নাকলগী মীওইশিংনা থারকপা এপ্লিকেসন অমত্তা খুলনা লৌদবা অমসুং মীফম মখা তানা কৌদবা হায়না য়ান্নরে।

***অহুমশুবা ৱারেপ ঃ*** য়েৎনরিবা ইঙ্খোল অসিগী মপু Takhellambam Hemantabi না Khunjamayum Irabanta দা য়োন্দুনা দুকানগী ছো ফাওবা শীন্নরম্বনা ইরাবন্তনা ইঙ্খোল অসি দখল তৌবদা খুলনা শক খঙলে। মহাক নত্তবা অতোপ্পা মীওই অমত্তা খুলনা শক খঙদবা হায়না য়ান্নরে।

***মরিশুবা ৱারেপ ঃ*** ৱাথোক অসিগী মতাংদা কনাগুম্বনা ইরাবন্তগী মায়োক্তা থবক তৌরকপদা খুলনা পুন্না থেংনমিন্নবা হায়না লেপ্পরে।

***Sd/-* PRESIDENT**
Nongpok Ningthou Panthoibi
Development Committee, Keirao Bitra
*HL-P/575/17*

## ꯔꯦꯖꯤꯁ꯭ꯇꯔ/রেজিষ্টর তৌজরগনি

**KOMBIREI FINANCE CO. LTD.** হায়বা Address না সঙাইপ্রৌ মমাং লৈকাই, এয়রপোর্ট রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা অসি Under Provision of Bombay Money Lender Act, 1946 কী মখাদা লাইসেন্স লৌজরগনি। মরম অসিনা কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবশিংনা নুমিৎ ৫ (মঙা) নিগী মনুংদা য়েৎপীনবা মতম পীজরি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

***Sd/-* Y. Bigyando Singh**
***Managing Director***
Kombirei Finance Co. Ltd.
HL-P/576/17

**এফ. নো. - এ - ১২০৩৪/১/২০১৪ - পি আর**
**গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স**
**ডিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়ল সর্ভিসেস**
**২ শুবা ফ্লোর, জীভন দীপ বিল্ডিং,**
**পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রীট, ন্যু দিল্লি ১১০০০১**

**পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ ডিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর ডি এ), ন্যু দিল্লিগী হোল-টাইম মেম্বর (লো) গী ফমগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজবা।**

পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ ডিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর ডি এ), ন্যু দিল্লিগী হোল-টাইম মেম্বর (লো) গী ফমগীদমক এপ্লিকেসন কৌজরি, ফম পায়গদবা মতম চহী ৫ (মঙা) নি নৎত্রগা চহী ৬২ শুবা ফাওবা পায়গনি।

হোল-টাইম মেম্বর (লো) গী থাগী পে অমসুং এলাৱেন্সশিং য়ুম অমসুং কারগী খুদোংচাবা য়াওদনা কনসোলিদেটেদ শেনফম লুপা লাখ ৪.০০ ওইগনি। ফম অসিগী অকুপ্পশিং অমসুং ইলিজিবিলিটি কন্দিসনশিং মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱেবসাইট http://financialservices.gov.in লোয়ননা পি এফ আর ডি এগী ৱেবসাইট http://www.pfrda.org.in দগী ফংগনি। মপূং ফাবা এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ অমসুং মতম ০৭-০৩-২০১৮ অমসুং নুংথিল পুং ০৫.৩০ ফাওবনি। ইলিজিবিলিটি ময়েক শেংনা উৎপা এপ্লিকেসনশিং মখাগী এদ্রেস অসিদা সবমিট তৌবা য়াগনি।

**শ্রী শিভেন্দ্রা চতুর্ভেদি**
**অন্দর সেক্রেটরি টু দ গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া**
**ডিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়ল সর্ভিসেস**
**২শুবা ফ্লোর জীভন দীপ বিল্ডিং**
**পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রীট, ন্যু দিল্লি - ১১০০০১**
**টেলিফোন নম্বর ০১১২৩৭৪৬৪১৩**

*DAVP 15102/11/0015/1718*

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

### NOTIFICATION

Imphal, the 16th February, 2018

No. 2/61/97-HSC: In partial modification of this office notification of even No. dated the 9th February, 2018, it is notified for information to all the concerned that the following Roll Numbers of the candidates appearing in the ensuing Higher Secondary Examination, 2018 of the Council of Higher Secondary Education, Manipur are reallocated to the Examination Centre as shown below:

All the concerned candidates should appear at their allotted respective centre.

**Name of the Examination Centre : Standard Robarth Hr. Sec. School , Canchipur**

| ROLL NUMBERS | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Arts | | | Science | | | Commerce | | | Total |
| 1830 | 1835 | 06 | 17489 | 17539 | 51 | 29154 | 29156 | 3 | 455 |
| | | | 18016 | 18253 | 238 | | | | |
| 1813 | 1829 | 17 | 17369 | 17488 | 120 | | | | |
| | | | 18254 | 18273 | 20 | | | | |
| Total | | 23 | | | 429 | | | 3 | |

***Sd/-* Dr. Maisnam Bidyasagar**
***Secretary,*** Council of Hr. Sec. Edn., Manipur
*HL-B/4502/17*